ঙাঙোম বালাবু ফিদম্নীংঙাই ওইবা শান্নরোয়নি হায়না প্রফুল পটেলনা ফোঙদোকখ্রে

ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ১৯ (এজেন্সী):

ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসন (এ আই এফ এফ)কী প্রসিদেন্ট প্রফুল পটেলনা ইন্দিয়াগী নুপীগী ফুটবোল পুৱারীদা অহানবা শান্নরোয় অমা ওইনা য়ুরোপিয়ন প্রোফেসনেল ফুটবোল লিগতা শরুক য়াবা ঙমখ্রবা ঙাঙোম বালানা ইন্দিয়াগী ফুটবোলদা ফিদম্নীংঙাই ওইবা শান্নরোয় অমনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

এ আই এফ এফকী প্রসিদেন্ট প্রফুল পটেলনা ভিদিও কনফরেন্সিংগী খূত্থাংদা তোঙান-তোঙানবা চহী কাঙলূপশিংগী শান্নরোয়শিংগা ৱারী শানখিবদা ঙাঙোম বালানা হৌজিক লৈরিবা তাঙ্কক অসি হোৎনবা কনবা অমদি ফুটবোল মশান্নবু লাইনিং ওইনা খনবগী মহয়না য়ৌরকপনি হায়খি।

ইন্দিয়াগী নুপীগী ফুটবোল শান্নরোয়শিংগী হৌরক্লিবা নহা ওইরিবা গ্রুপতা ফোঙদোকখিবা ৱাফমদা মখোয়না ঙাঙোম বালানা চথুখিবা হোৎনবা কনবা অমদি ফুটবোল মশান্না অসিদা লুপখিবা অদুগী ৱাখল্লোন অদু মখোয়সু মতৌ তমগদবনি। অদুগুম্না শান্নবা ঙম্লবদি ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী মালেমগী থাক্তা নুপীগী ফুটবোলগী ওইনা অচৌবা পর্ফোর্মেন্স কয়া উৎপা ঙমদুনা মিংচৎ পুরকপা ঙমগনি হায়বগী ৱাফম থমখি।

ঙাঙোম বালা ইন্দিয়াগী নুপীগী সিনিয়র ফুটবোল টিমগী কেপ্টেন ওইদুনা শান্নরম্বা অদুখক্তা নৎতনা অতোপ্পা ইন্টরনেসনল মেচশিংদা টিম অদুবু লুচিংদুনা ফজবা পর্ফোর্মেন্স কয়া উৎপা ঙমখি।

হৌজিক-হৌজিক ঙাঙোম বালা স্কোটলেন্দগী য়াম্না মমিং লৈরবা ফুটবোল ক্লব অমা ওইরিবা রেঞ্জরস এফ সীগী নুপীগী ফুটবোল টিমদা জর্সি নম্বর ১০গী খূদোংচাবা ফংদুনা ষ্ট্রাইকর অমা ওইরি। থা ৯গী কন্ট্রেক্ট অদুগী মনুংদা রেঞ্জরস ফুটবোল ক্লবকী হৌরকপা মেচ খরা শরুক য়ারুরবা মতুং কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা মরম ওইরগা মখা তাবা ক্লব অদুগী অমদি ক্লব অদুনা শরুক য়ারিবা ৱিমেন্স ফুটবোল লিগকী মেচশিং শান্নবা য়াদনা মফম অদুমক্তদা ট্রেনিং তৌদুনা অদুম্মক লৈরি।

ইন্দিয়াগী ফুটবোলদা নুপা অমসুং নুপীগী মায়কৈ অনীমক্তা হান্না লৈরম্বা থাক্তগী অহেনবা টাইটল কয়া লানশিনবা ঙম্লে। মমাংদা ইন্দিয়াগী নুপীগী ফুটবোল টিম অসি মণিপুরগী শান্নরোয়শিংনা মশীং হেন্না লৈরম্বা অদু হৌজিক্তি তোঙান-তোঙানবা ষ্টেটশিংদগী টেলেন্ট লৈবা শান্নরোয় কয়া অমসু লাক্তুনা অপূনবা টিম অমগী শক্তম লৌবা ঙম্লক্লি।

লৈরিবা কোভিদ-১৯গী লাইচৎ অসিনা মরম ওইরগা শান্নরোয়শিং অসিনা হান্না ট্রেনিং চত্থনবগী মতম অমদি তোঙান-তোঙানবা কম্পিটিসন শরুক য়াবগী খূদোংচাবশিং অদু লৈতবদগী মশান্না অসিনা মায় ওনশিনবা ঙমদ্রি। ইনিদয়া লৈঙাক্কী ওইনা দিসিপ্লিন খরদা কোমথোক্তুনা ট্রেনিং হৌখিবদগী ফুটবোলদসু মায় ওনশিল্লক্কনি হায়না থাজনরি।

চেম্পিয়ন্স লিগ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯-২০

চহী ৫০গী মতুংদা অহানবা ওইনা ফ্রান্সকী ক্লব পেরিস সেন্ট জর্মেনননা চেম্পিয়ন্স লিগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে

লিজবোন, ওগষ্ট ১৯ (এজেন্সী):

ফ্রান্সকী ফুটবোল ক্লব পেরিস সেন্ট জর্মেনননা ক্লব অসি হৌরকখিবা চহী ৫০শুরকপদা অহানবা ওইনা য়ুরোপকী খ্বাইদগী থাক ৱাংবা ফুটবোল ক্লবশিংগী ওইবা টুর্নামেন্ট ওইরিবা চেম্পিয়ন্স লিগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে। ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা টুর্নামেন্ট অসিগী অহানবা সেমিফাইনেলদা টিম অসিনা জর্মনিগী ক্লব রারেসবোল স্পোর্ট লৈপজিগপু পাঞ্জল ৩-০দা মায়থীবা পীদুনা অহানবা ওইনা ফাইনেল য়ৌবা ঙমখিবনি।

পোর্টুগালগী সিটি লিজবোনদা লৈবা দা লুজ ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা সেমিফাইনেল মেচ অদুগী হৌদ্রিঙৈদগী হৌনা পেরিস সেন্ট জর্মেনগী টিম অসিনা মায় পাক্কনি হায়বগী চাওনা থাজবা কয়া অমা ফুটবোলগী ক্রিটিক কয়ানা ফোঙদোক্লরকপা লৈখ্রবনি।

নীংশিংবা য়াবদি টিম অসিনা ক্বার্টর ফাইনেলদা ইটলিগী ক্লব অটলান্টাগা শান্নবদা মপূং ফাবা শান্নরোয় কয়া য়াওবা ঙমখিদবনি। টিম অদুগী ষ্ট্রাইকর অমা ওইরিবা ব্রাজিল মচা নেমার হায়রিবা মেচ অদুদা শান্নবা য়াওখ্রবসু মহাক্কী খোঙলোয় অজেন্টিনাগী শান্নরোয় দি মারিয়া অমসুং ফ্রান্সকী নহা ওইরিবা শান্নরোয় কিলিয়ান মাপে মেচ হৌবদগী য়াওবা ঙমখিদে। অদুবু মেচ অদু মখোয়না মায় পাক্তুনা ঙরাং জর্মনিগী ক্লব রাসেনবোল স্পোর্ট লৈপজিগকা লম্বা তৌনবদদি শান্নরোয় অহুম্মক মেচ হৌবদগী শরুক য়াদুনা টিম অদুগী এটেক্কিং লাইন অদু য়াম্না ফজবা মওংদা লৈবা ঙমখি।

মেচ অদুগী হৌরকপা শুপ্নগী মিনট ১৩ শুরকপদা পেরিস সেন্ট জর্মেনগী মায়কৈদগী চথুরকপা এটেক অমদা টিম অদুগী শান্নরোয় অজেন্টিনা মচা এঞ্জেল দি মারিয়ানা পাস তৌরকপা য়াম্না ফজবা বোল অমা মার্কিনোজনা পাঞ্জল চন্দুনা টিম অদুগী একাউন্ট হাংদোকপা ঙমখি। রাসেনবোল স্পোর্ট লৈপজিগকী মায়কৈদগী শোথখিবা পাঞ্জল অদুহন্দে দাকপা ঙম্নবা ফনা কন্না হোৎনরবসু পেরিস সেন্ট জর্মেনগী শান্নরোয়শিং অদুনা চথুরকখিবা এটেকশিং অমদি টিম অদুমক্কী দিফেন্দরশিংনা মখোয়না শেমখিবা লাল্লোং অদু জর্মনিগী ক্লব অদুনা লানশিনবা ঙমখিদবদগী অহানবা হাফকী লোইশিল্লক্কদবা মতম য়ামদ্রবা ফাওবদা পাঞ্জল হন্দোকপা ঙমদনা লৈখি।

অহানবা হাফ অদুগী শান্নবা লোইগদবা মিনট ৩দা ঙাইরবা মতমদা পেরিস সেন্ট জর্মেনগী প্লেমেকর ওইরিবা ব্রাজিল মচা নেমারনা য়াম্না ফজনা পীরকপা পাস অমদা টিমমেট অর্জেন্টিনা মচা দি মারিয়ানা শান্নবগী ৪২শুবা মিনটতা টিম অদুগী অনীশুবা পাঞ্জল চল্লগা সেমিফাইনেল মেচ অদু মখোয়না জর্মনিগী ক্লব রাসেনবোল স্পোর্ট লৈপজিগপু পাঞ্জল ২-০দা মাংজিল থারগা লৈখি।

পেরিস সেন্টজর্মেনগী মায়কৈদগী নেমার, দি মারিয়া অমসুং কিলিয়ান মাপেগী কম্বাইনেসন অদুনা জর্মনিগী ক্লব অদুগী দিফেন্স লাইনবু হঞ্জিন-হঞ্জিন চৈথেং পীখি। অনীশুবা হাফ হৌরক্লবা মতুং জর্মনিগী ক্লব অদুগী মায়কৈদগী পাঞ্জল হন্দোক্লবা য়াম্না কন্না হোৎনরকখি। মখোয়গী এটেকশিং অদুসু পেরিস সেন্টজর্মেনগী পেনাল্টি এরিয়া য়ৌরক্তুনা খূদোংচাবা ফংলবসু ফিনিশিং ঙমদবদগী অহানবা হাফতা শোথখিবা পাঞ্জল অনী হন্দোকপা ঙমদনা লৈখি।

মেচকী ৫৬ শুবা মিনটতা পেরিস সেন্ট জর্মেনগী সেমিফাইনেল মেচ অদুদা অনীশুবা পাঞ্জল চনবসু ঙমখিবা প্লেমেকর অমসু ওইরিবা আর্জেন্টিনা মচা দি মারিয়ানা অমুক্কা হন্না পীরকপা পাস অমদা টিমমেট জে বর্নাটনা টিম অদুগী অহুমশুবা পাঞ্জল অদু চন্দুনা জর্মনিগী ক্লব রাসেনবোল স্পোর্ট লৈপজিগপু পাঞ্জল হন্দোকপা ঙম্লোইদবগী ফীভমদা থমদুনা ৩-০দা লৈরগা ফাইনেল য়ৌবগী লম্বেল অদু তেনশিনহনখি। মখা তাবা পাঞ্জল লৈখিদবদগী পি এস জিনা ঙসি অথেংবদা জর্মনিগী অতোপ্পা ক্লব বেয়র্ন ম্যুনিক অমদি ফ্রান্সকী লিওনগী অথোইবগা ফাইনেল লম্বা তৌনরগনি।

মোইরাংথেম গিবসন ইন্দিয়ন সুপর লিগ টুর্নামেন্টকী লাক্কদৌরিবা সিজনদা কেরলা ব্লাষ্টর এফ সীদা য়াওরগনি

কোলকটা, ওগষ্ট ১৯ (এজেন্সী):

মশাগী চহী ১৮দা ঙাইরিবা মণিপুর মচা মোইরাংথেম গিবসন লাক্কদৌরিবা ইন্দিয়ন সুপর লিগ ফুটবোল সিজনগী ওইনা কেরলা ব্লাষ্টরকী টিমদা শরুক য়ারগনি।

মহাক হৌখিবা সিজনদা আই লিগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী কুমজা ২০১৯-২০দা ইন্দিয়ন এরোজকী টিমদা মেচ ১৬ শরুক য়াখিবদা পাঞ্জল ২ চনবতা নৎতনা অতোপ্পা শান্নরোয়না পাঞ্জল চনবা ঙম্নবগীদমক এসিষ্ট অনীরক তৌখি।

মণিপুরগী বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা মোইরাংদগী হৌরকখিবা নহা ওইরিবা শান্নরোয় অসিনা মশাগী করিয়র অদু পঞ্জাব এফ সীদা শরুক য়াদুনা হৌরকখিবনি। মহাক্কী ফজবা অদু মশক খঙলদুনা ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসনগী এলিট একাদেমিদা শরুক য়াদুনা ইন্দিয়ন এরোজকী টিমদা আই লিগতা শান্নবা ঙমখিবনি।

পনবা য়াই, মোইরাংথেম গিবসন ইন্দিয়াগী চহী ১৬ মখাগী নেসনল ফুটবোল টিমদা শরুক য়াদুনা অচৌবা থৌদাং অমা লৌবগা লোয়ননা কুমজা ২০১৮দা মলেসিয়ানা য়ূম্বু ওইরগা পাঙথোকখিবা এ এফ সী (এসিয়ন ফুটবোল কনফিদরেসন)গী চহী ১৬ মখাগী ফুটবোল টুর্নামেন্টতা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখিবা অদুদসু শরুক য়াবা ঙমখি। মহাক চহী ১৭ মখাগী ইন্দিয়াগী টিমদসু শরুক য়াদুনা তোঙান-তোঙানবা ইন্টরনেসনল মেচ কয়া অমসু শরুক য়াখি।

মোইরাংথেম গিবসননা ইন্দিয়াগী চহী ১৯ মখাগী ফুটবোল টিমদা অহানবা ওইনা কুমজা ২০১৯গী জুন ৪দা রসিয়াগী চহী ১৫গী মখাগী ফুটবোল টিমগা শান্নখিবা ফ্রেন্দলি মেচ অদুদা শরুক য়াবা ঙমখি।

কেরলা ব্লাষ্টর ফুটবোল ক্লবকী এসিষ্টেন্ট কোচ ওইরিবা ইসফাক অহমদনা ফোঙদোকখিবদা, মোইরাংথেম গিবসন ইন্দিয়ন এরোজ ফুটবোল টিমগী য়াম্না মরুওইবা শান্নরোয় অমা ওইবতা নৎতনা মহাক্কী চহী নৌরিবা অদুগা সিনিয়র টিমগা লম্বা তৌনবদা য়াম্না চাওনা লেংমান্নবা মওংদা শান্নবা ঙম্বা শান্নরোয় অমনি। মহাক্না কেরলা ব্লাষ্টর ফুটবোল ক্লবতা শরুক য়ারকপা অসিনা ক্লব অসিগী মপাঙ্গল হেনগৎহল্লগনি। লোয়ননা গিবসনগী ওইনসু মহাক্না ইন্দিয়া সিনিয়র টিমদা শরুকয়াননবগী অচৌবা প্লেটফোর্ম অমসু ওইরগনি হায়না ফোঙদোরকখি।

মরক অসিদা, গোকুলম কেরলা এফ সী ফুটবোল টিমগী অনৌবা কোচকী থৌদাং অদু ইটলি মচা বিনসেনজো এনেসিনা থৌ পুরগনি। মহাক মমাংদা অর্মেনিয়া লৈবাক্কী চহী ১৯ মখাগী ফুটবোল টিমগী কোচ ওইরমখি। মদুদসু নৎতনা ইটলি, ঘানা, ইন্দোনেসিয়া, লাটভিয়া অমসুং পেলেষ্টিনগী মরুওইবা ফুটবোল ক্লবশিংগী ওইনসু কোচ ওইবগী থৌদাং লৌদুনা লাকখি। মহাক্না গোকুলম কেরলা এফসীগী কোচ ওইরকপদা ক্লব অসিগী অহেনবা পর্ফোর্মেন্স লাক্কনি হায়না থাজনরি।

থা অসিগী ২৩দগী হৌরগা পাঙথোক্কদৌরিবা ওনলাইন চেছ ওলিম্পিয়াদতা ইন্দিয়ানা চাইনাগা লম্বা তৌনরগনি

ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ১৯ (এজেন্সী):

চৎলিবা থা অসিগী ওগষ্ট ২৩দগী হৌগদৌরিবা ওনলাইন চেছ ওলিম্পিয়াদতা ইন্দিয়াগী টিমগা চাইনাগা অহানবা মেচতা লম্বা তৌনরগনি।

চেছকী লম্দা ইন্দিয়া অমসুং চাইনাগী শান্নরোয়শিংনা মালেমগী তোঙান-তোঙানবা কম্পিটিসনশিংদা চাওনা মায় পাকপা ঙমদুনা থাক ৱাংনা লৈবা ঙম্লি। নীংশিংবা য়াই ৱর্ল্ড চেছ চেম্পিয়নশিপতা ইন্দিয়াগী গ্রান্দমাষ্টর বিস্বানাথন অনন্দনা টাইটল মঙারক লৌবা ঙমখ্রবনি।

নাকল অমরোমদা চাইনাগী নুপীগী চেছ শান্নরোয়শিংনা মালেমগী অতোপ্পা শান্নরোয়শিংবু তুংওইননা থম্লগা মকোক ওইবা ঙম্লি। কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা মরম ওইরগা চেছ ওলিম্পিয়াদ অসি হকথেংননা শান্নরোয়শিংনা চেছ বোর্দতা শান্নবগী খূদোংচাবা লৈখিদবনা মরম ওইরগা ওনলাইনদা টিমশিংগী ওইবা চেছ টুর্নামেন্টকী খ্বাইদগী থাক ৱাংবা টুর্নামেন্ট অমা ওইরিবা চেছ ওলিম্পিয়াদ অসিগী ওইনা থা অসিগী ২৩দা ইন্দিয়াগা চাইনাগা লম্বা তৌনগদৌরি।

টুর্নামেন্ট অসি থা অসিগী ২১দগী হৌগদৌরিবনি। অদুবু ইন্দিয়াগী টিম অমদি চাইনাগী টিম অসি মাংজৌননা ক্বালিফাই ওইবা ঙমখ্রবা মতুংদা চপ মান্নবা গ্রুপ এদা পূন্দুনা অহানবা রাউন্দদা থা অসিগী ২৩দা শান্নগদৌরিবনি।

নীংশিংবা য়াই, কুমজা ২০১৮দা জিওর্জিয়াগী বাতুমি সিটিদা পাঙথোকখিবা চেছ ওলিম্পিয়াদতা চাইনানা ওপন অমসুং নুপীগী সেক্সনদা টাইটল অনীমক লৌবা ঙমখিবনি। টিম অসিগা লোয়ননা ইরান, জিওর্জিয়া অমসুং জর্মনিনা ইন্দিয়াগা লোয়ননা গ্রুপ এদা লম্বা তৌনগদৌরি।

হন্দক্কী ওনলাইনদা পাঙথোক্কদৌরিবা চেছ ওলিম্পিয়াদ অসিদা তোঙানবা নুপীগী কাঙলূপ লৈররোই। লোয়ননা জুনিয়র শান্নরোয়শিংসু শরুকয়াবা য়াগদৌরি। টুর্নামেন্ট অসিদা পূন্না টিম ৪০না গ্রুপ ৪দা লম্বা তৌনগদৌরি।

ৱর্ল্ড নম্বর ৱান বেদমিন্টন শান্নরোয় জপানগী মোমোটানা ওনলাইনদা কোচিং পীগদৌরি

টোকিও, ওগষ্ট ১৯ (এজেন্সী):

নুপাগী বেদমিন্টনগী ৱর্ল্ড নম্বর ৱান শান্নরোয় ওইরিবা জপান মচা কেন্টো মোমোটানা হৌজিক-হৌজিক মালেম শীনবা থুংনা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা চৈথেং পীদুনা লৈরিঙৈ মনুং অসিদা ওনলাইনদা মশান্না অসিবু পামজবা, থৱায় য়াওনা নহা ওইরিবা শান্নরোয়শিংবু লমজিং লমতাক্নবগীদমক্তা শেম শাদুনা লৈরি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

কেন্টো মোমোটানা মহাক্কী ত্বিটর একাউন্টতা ফোঙদোরকখিবা ৱাফম অমদা বেদমিন্টন মশান্না অসি ওনলাইনদা মহাক্কী মায়কৈদগী খঙজ-হৈজবা ময়াম অদু অতোপ্পা মচীন তুমখৎলক্লিবা অমদি থৱায় য়াওবা শান্নরোয়শিংদা মতেং ওইননবা লমজিং লমতাকপীবগী অপাম্বা অদু ফোঙদোরকখি।

নীংশিংবা য়াই, চহী অসিগী ফেব্রুৱারী থাদা মালেসিয়াদা কার এক্সিদেন্ট অমদা শোকখ্রবা কেন্টো মোমোটানা মতম শাংনা শান্নবা য়াদনা লাকখ্রবা মতুং মশাগী ফীভম ফগৎলকপদগী হৌজিক-হৌজিক্কী ওইরিবা কোভিদ-১৯গী ফীভম অসিনা কম্পিটিটিভ ওইবা টুর্নামেন্ট অমত্তা লৈত্রিঙৈ মনুং অসিদা ওনলাইনদা মহাক্কী মায়কৈদগী মতেং পীবগী অপাম্বা অদু ফোঙদোরকপনি।

ফেব্রুৱারী থাদা থোকখিবা কারগী এক্সিদেন্ট অদুদা কেন্টো মোমোটাগী দ্রাইভর অদু লৈখিদবনি অমদি মহাক মশামক মমীৎতা শোক্তুনা মতম কুইনা লায়েংদুনা লাকখি। জপানগী ওইনা ওলিম্পিক্স গেমসতা গোল্ড মেদল অমা ফংবগী চাওনা পানরিবা কেন্টো মোমোটা হৌজিক ওলিম্পিক্স গেমস অদু চহী ১ য়ৈথোকখিবা মরম্না মহাক্কী মশা হেন্না ফগৎলকপগা লোয়ননা বেদমিন্টন মশান্না অসিদা পামজবা মালেমগী তোঙান-তোঙানবা মফমগী নহা ওইরিবা শান্নরোয়শিংদা ওনলাইনদা মতেং পীবগী ৱাখল অদু নৌনা লাক্তুনা শেম শারে হায়খি।

কৱাসকি ফ্রন্টেলনা সেরেজো ওসাকাবু পাঞ্জল ৫-২দা মায়থীবা পীদুনা জপান লিগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী মাংজিল থারি

টোকিও, ওগষ্ট ১৯ (এজেন্সী):

এসিয়াগী লৈবাকশিংগী ফুটবোলগী টুর্নামেন্টশিংগী মনুংদা মরুওইবা অমা ওইরিবা জপান লিগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা ১১শুবা রাউন্দগী মেচ অমদা কৱাসকি ফ্রন্টেলনা সেরেজো ওসাকাবু য়াম্না চাওনা পাঞ্জল ৫-২দা মায়থীবা পীদুনা লিগ টুর্নামেন্ট অসিগী পোইন্ট টেবলদা মাংজিল থাদুনা লৈবা ঙমখ্রে।

ঙসিগী মেচ অদুগী অহানবা হাফতা কৱাসকি ফ্রন্টেলনা সেরেজো ওসাকাবু পাঞ্জল ২-১দা মাংজিল থাবা ঙমখি। মেচ অদুগী অহানবা পাঞ্জল অদুদি সেরেজো ওসাকাগী মায়কৈদগী বি মেনিদসনা টিমমেট ৱাই মারুহাসিগী পাস অমদা ৭শুবা মিনটতা চনবা ঙমখি।

কৱাসকি ফ্রন্টেলগী মায়কৈদগী ২১শুবা মিনটতা ৱাই ৱাকিসকানা ইক্বেলাইজর অদু চল্লবা মতুং মেচ অদুগী অহানবা হাফ লোইগদবা মিনট ৩দা ঙাইরবা মতমদা টিম অদুনা চথুখিবা এটেক অমদা ফংখিবা পেনাল্টি অমগী খূদোংচাবা অদু এ ইনাগানা পাঞ্জল ওন্থোক্তুনা হাফ অদু লোইশিল্লকপদা ২-১দা লৈখি।

অনীশুবা হাফ হৌরকপদা কৱাসকি ফ্রন্টেলগী শান্নরোয়শিংনা অহানবা হাফতা শান্নখিবা মশান্না অদুদগী হেন্না পাঙ্গল লৈনা শান্নবা ঙমখি। ৫৩শুবা মিনটতা টিম অদুগী শান্নরোয় কে নোবোরিজাতোনা পীরকপা পাস অমদা শান্নমিন্নরোয় ৱাই কোবায়াসিনা পাঞ্জল অমা চন্দুনা মেচ অদু মখোয়না সেরেজো ওসাকাবু পাঞ্জল ৩-১দা মাংজিল থাবা ঙমখি।

শান্নবগী ৫৮শুবা মিনটতা টুর্নামেন্ট অদুগী পোইন্ট টেবলদা ২শুবা পোজিসনদা লৈরিবা সেরেজো ওসাকাগী মায়কৈদগী এ সিকোনা পাঞ্জল অমা চন্দুনা শোথখিবা পাঞ্জল ২গী মনুংদা ১ ফুঙ্গৎতুনা ২-৩দা লৈখি। মেচ অদুগী মখা তারকপা মিনট ২০ য়ৌরমদাইদা কৱাসকি ফ্রন্টেলগী মায়কৈদগী অহুমশুবা পাঞ্জল চনখিবা ৱাই কোবায়াসিনা পীরকপা বোল অমদা টিমমেট কে মিটোমানা পাঞ্জল চন্দুনা মেচ অদু মখোয়না ৪-২দা মাংজিল থারগা লৈখি।

সেরেজো ওসাকাগী শান্নরোয়শিংগী মায়কৈদগী পাঞ্জল ২-৪দা শোথদুনা লৈরিবা অদু মেচকী লেমহৌরিবা মিনট ২০ ফাদ্রবা মতম অদুদা হন্দোক্লবা য়াম্না কন্না হোৎনখি। অদুবু এটেক হেঞ্জিল্লকখিবা কৱাসকি ফ্রন্টেল এল দামিওনা ৭৭শুবা মিনটতা পাঞ্জল অমগা চল্লগা মেচ অদু মখোয়না সেরেজো ওসাকাবু ৫-২দা থোইরগা টুর্নামেন্ট অসিগী পোইন্ট টেবলদা মেচ ১১ শান্নবদা পোইন্ট ৩১ ফংলগা ওসাকাদগী পোইন্ট ১০ হেল্লগা মকোক্তা লৈরি।

অতোপ্পা টুর্নামেন্ট অসিগী ১১শুবা রাউন্দগী মেচ অমদা য়োকোহামা মারিনোজনা সিমিজু পলসপু পাঞ্জল ৪-৩দা মায়থীবা পীখি। মেচ অদুগী অহানবা হাফতা টিম অনীমক পাঞ্জল ২-২ লৈনখ্রবা মতুং অনীশুবা হাফতা য়োকোহামা মারিনোজকী মায়কৈদগী পাঞ্জল ২ হাপচিনবা ঙমখিবা অদুনা মেচ অদু ৪-৩দা মায় পাকখি।

Pos	Team	Pl	W	D	L	GF	GA	GD	Pt
1	Kawasaki Frontale	11	10	1	0	34	9	25	31
2	Cerezo Osaka	11	6	3	2	14	11	3	21
3	Nagoya Grampus Eight	10	6	2	2	18	8	10	20
4	Urawa Red Diamonds	11	6	2	3	15	17	-2	20
5	Kashiwa Reysol	11	6	1	4	24	18	6	19
6	FC Tokyo	11	5	4	2	18	15	3	19
7	Gamba Osaka	10	6	1	3	15	12	3	19
8	Sanfrecce Hiroshima	10	4	2	4	14	9	5	14
9	Yokohama F.Marinos	11	4	2	5	18	19	-1	14
10	Vissel Kobe	11	3	4	4	14	17	-3	13
11	Consadole Sapporo	11	3	4	4	17	22	-5	13
12	Kashima Antlers	11	3	2	6	15	17	-2	11
13	Oita Trinita	11	3	2	6	11	19	-8	11
14	Yokohama FC	11	3	2	6	13	22	-9	11
15	Vegalta Sendai	10	2	4	4	11	16	-5	10
16	Shimizu S-Pulse	11	2	3	6	16	21	-5	9
17	Sagan Tosu	9	1	4	4	5	10	-5	7
18	Shonan Bellmare	11	1	1	9	10	20	-10	4

য়ু এসকী নাকামুরানা নোরৱেগী কার্লসনবু ফাইনেলদা সেট ৩-২দা মাংজিল থাদুনা চৎলি

ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ১৯ (এজেন্সী):

ৱর্ল্ড নম্বর ৱান চেছ শান্নরোয় ওইরিবা নোরৱেগী গ্রান্দমাষ্টর মেগনস কার্লসননা চহী অসিগী মার্চ থাগী ময়াই চনশিল্লকপদগী মালেম শীনবা থুংনা কোভিদ-১৯গী লায়না লাইচৎনা লৈবাক খূদিংমক লোকদাউন লৈখিবদগী শান্নবগী লম্দসু অপনবা লাকখিবা অদু চেছকী ওইনা ওনলাইনদা চেছ টুর অমা শীন্দুনা লাকখিবা অদুগী ফাইনেলসতা মহাক মশামক্কা য়ু এস এগী গ্রান্দমাষ্টর হিকারু নাকামুরাগা লম্বা তৌনরকপা ফাইনেলগী সেট ৫ লোইশিল্লকপা ফাওবদা নাকামুরানা সেট ৩-২দা মাংজিল থাদুনা লৈরি।

নীংশিংবা য়াই গ্রান্দমাষ্টর অনীগী মরক্তা শান্নখিবা সেট ৭কী ফাইনেলস অদুগী অহানবা সেটতা য়ু এসকী গ্রান্দমাষ্টর হিকারু নাকামুরানা মেগনস কার্লসনবু পোইন্ট ২.৫-১.৫দা মায়থীবা পীখি। অদুবু ৱর্ল্ড নম্বর ৱান শান্নরোয় মেগনস কার্লসননা অনীশুবা সেটতা হিকারু নাকামুরাবু অকনবা লম্বা পীরদুনা পোইন্ট ৩.৫-২.৫দা থোইদুনা সেট অমমম্ মান্নদুনা লাকখি।

মালেমগী ওইনা চেছ শান্নরোয়শিংগী মনুংদা ঈ এল ও রেটিং খ্বাইদগী থাক ৱাংনা ফংলিবা নোরৱেগী ৱর্ল্ড নম্বর ৱান শান্নরোয় মেগনস কার্লসনগী পোইন্ট অদু ২৮৮১নি। অদুগা মহাক্কা ফাইনেলদা লম্বা তৌনরিবা য়ু এস এগী গ্রান্দমাষ্টর হিকারু নাকামুরানা ঈ এল ও রেটিং পোইন্ট ২৮২৯ ফংলি।

ফাইনেল অদুগী অহুমশুবা সেটতা শান্নরোয় অনীগী মরক্তা অকুম-অৱাংগী মওংদা লম্বা তৌনরকপা অদুনা অহানবা গেম কার্লসননা থোইরবা মতুং অনীশুবা গেম দ্রো চৎখি। অহুমশুবা গেমদা নাকামুরানা অমুক থোইরগা মরিশুবা গেম দ্রো চৎলবা মতুং মঙাশুবা গেমদা নাকামুরানা থোইদুনা পোইন্ট ৩-২দা লৈখ্রবা মতুং ৬শুবা গেম দ্রো চৎপদগী অহুমশুবা সেট অদু ৩.৫-২.৫দা থোইরগা সেট ২-১দা মহাক্না কার্লসনবু মাংজিল থাদুনা লাকখি।

ৱর্ল্ড নম্বর ৱান ওইরিবা নোরৱেগী শান্নরোয় মেগনস কার্লসননা মরিশুবা সেটতা য়ু এস এগী হিকারু নাকামুরাবু অহানবা গেম অনী দ্রো চৎলবা মতুং অহুমশুবা গেমদা মায়থীবা পীদুনা অমদি মরিশুবা গেমদা দ্রো চৎপদগী মরিশুবা সেট অদু ২.৫-১.৫দা থোইদুনা সেট ২-২ মান্নদুনা লাকখি।

ঙরাং শান্নখিবা মঙাশুবা সেট অদুদা শান্নরোয় অনীগী লম্বা হৌবদগী হৌনা হেঞ্জিন্নদনা লাকখি। অহানবা গেমদগী হৌরগা মরিশুবা গেম ফাওবদা ৱর্ল্ড নম্বর ৱান কার্লসন অমদি য়ু এস এগী নাকামুরা দ্রো শান্নখিবদগী পোইন্ট ২-২দা লৈনখি।

মঙাশুবা গেম অদু মেগনস কার্লসননা অমুবা মচু পায়রগা য়ু এস এগী নাকামুরাগী অঙৌবা মচুগী এটেক অদু মায়োক্লদুনা শান্নবদা মায় পাকপা ঙমদুনা পোইন্ট ৩-২দা হেন্দুনা লাকখি। অদুবু থংনবা তরুকশুবা গেমদা নাকামুরানা থোইরবা মতুং পোইন্ট ৩-৩ মান্নরগা আর্মাগেদন শান্নবদা নাকামুরানা মায় পাকপদগী সেট ৩-২দা মাংজিল থাদুনা লৈরি।

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Thounaojam Birdhaja, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Asstt. Editor : Kh. Nandalal, Printing In-charge : Wahengbam Ranjit; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com